# ইন্দিয়াগী অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চাংয়েং অথুবা মতমদা হৌরগনি : সেন্তর

ন্যু দেল্লী, মে ২৭ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চাংয়েং অথুবা মতমদা হৌরগনি হায়না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী মরমদা ঙাংন-শক্লরিবা কয়া শেংদোকপগা লোয়ননা ৱাফম অসি নিটি আয়োগকী মেম্বর (হেল্থ) অমসুং নেসনেল এক্সপার্ট গ্রুপ ওন ভেক্সিন এদমিনিষ্ট্রেসন ফোর কোভিদ-১৯ (এন ঈ জি ভী এ সী)গী চ্যের ডা. ভিনোদ কে পোলনা ফোঙদোকখিবনি।

ময়াম্না ঙাঙনবা ৱাফম - অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পবা সেন্টরনা থৌরাং অমত্তা লৌখৎতে হায়বসিগী মতাংদা শেংদোক্লনা পোলনা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অমত্তা অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপত্রি। মসিদা নত্তনা দল্লিয়ু ঐচ ওনসু অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পবা রিক্কমেন্দ তৌবা লৈতে। অদুম ওইনমক অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পদা অকাইবা লৈব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বগীী মতাংদা ষ্টদি তৌনবা লৈ হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি।

পোলনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াদসু অঙাংশিংদা ভেক্সিন চাংয়েং থুনা হৌরগনি। তৌইগুম্বসুং অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা হায়বসি ৱাটসএপ গ্রুপশিংদা হায়নবা কয়া অমসুং পোলিটিসিয়ন খরনা তৌবা পোলিটিক্সতা যূস্ফম ওইরোইদবনি। লৈবাক অসিদা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌরিবসি ঐখোয়গী সাইন্টিষ্টশিংনা চাংয়েং কয়াগী দেটা নৈনরবা মতুংদনি।

য়ান্নখিবা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না সেন্টরনা ত্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা ষ্টেটশিংদা ভেক্সিন য়েন্থোকই অমসুং ভেক্সিন ষ্টোক্কী মতাংদা মখোয়দা মাঙজৌননা খঙহল্লি হায়নসু পোলনা ফোঙদোকখি। মতুং তাবদা লৈবাক অসিদা ভেক্সিন মরাং কায়না ফঙলগনি অমসুং ষ্টেটশিংদা সপ্লাই হেন্না তৌবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পোলনা মখা তানা হায়, নন-গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া চেন্নেলদা ষ্টেশিংনা ভেক্সিন দোজ চাদা ২৫ ফংলি অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালনসু দোজ চাদা ২৫ ফংলি। অদুম ওইনমক ষ্টেটশিংনা দোজশিং অসিবু মীয়ামদা কাপ্পবা হোৎনবদা ইস্যু কয়া থেংনবগুম তৌরি। ভেক্সিন সপ্লাইগী মতাংদা নোলেজ মপুং ফানা লৈরবসু ঐখোয়গী লুচিংবা খরনা নুমিৎ খুদিংগী টি ভিদা ৱা ঙাঙবদা মীয়ামদা মিপাইবা পোকহল্লিবসি লাইবক থীবনি। হৌজিক পোলিটিক্স তৌবগী মতম নত্তে। মীপুম খুদিংমক কোভিদ-১৯ থেংনবগী লাঞ্জং অসিদা লিংজেল মান্নগদবনি। ভারত বাইওটেক্কী মশাগী প্লান্টশিংদা কোভেক্সিন পুথোকপদগী চাং শরুক মরি হেনগৎপদা নত্তনা অতৈ কম্পনি অহুম্নসু ভেক্সিন অসি শাবা হৌরগনি হায়নসু পোলনা ফোঙদোকখি।

# ব্লেক ফঙ্গসকী হিদাক এম্ফোটেরিসিন বি দ্যুতি লৌদনা মপান্দগী পুশিনবা য়াহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৭ (এজেন্সী):
দেল্লী হায় কোর্টনা কোভিদ-১৯দগী ফরক্লবা পেসেন্টশিংদা নাবা থেংনবা ব্লেক ফঙ্গস লায়না লায়েংবদা শীজিন্নবা হিদাক এম্ফোটেরিসিন বি দ্যুটি লৌদনা মপান্দগী পুশিনবা য়াহনখ্রে।

সেন্টরনা হিদাক মখল অসিগী দ্যুটি কোমথোকপগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌদ্রিফাওবা ইমপোর্টর অদুনা বোন্দ অমা ফর্নিস তৌবগী মতুং ইন্না হিদাক অসি মপান্দগী পুশিনবা য়াহনগদবনি হায়না দেল্লী হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে।

দেল্লী হায় কোর্টনা হায়, এম্ফোটেরিসিন বি অসি ম্যুকোরমাইকোসিসনা নারবা মীওই লিশিং কয়াগী থৱায় কনবদা য়াম্না মথৌ তাই। অদুনা, ইন্দিয়াদা দ্রগ অসি মরাং কায়না ফংদ্রিফাওবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মসিগী কষ্টমস দ্যুটি কোমথোকপগী ৱাফম থুনা খন্নগদবনি।

ইমপোর্ট দ্যুটি কোমথোকপগী মতাংদা সেন্টরনা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈদা কনাগুম্বা অমনা দ্রগ অসি ইমপোর্ট তৌবা তারবদি মদু ইমপোর্টর অদুনা থাঙ্গৈশেংনা দ্যুটি পীবগী মহুত্তা বোন্দ অমা পীরগা য়াহন্নবা ঐখোয়না দিরেক্সন পীরি।

করিগুম্বা ইমপোর্ট দ্যুটি কোমথোক্তবা তারবদি ইমপোর্টর অদুনা দ্যুটি পীগনি হায়বা অন্দরটেকিং অসি বোন্দ অদুদা য়াওগদবনি হায়না জষ্টিসশিং ভিপিন সাংহি অমসুং জস্মিট সিংহগী দিরেক্সন অদুদা পনখি।

হিদাক অসি ফংদ্রিবা ব্লেক ফঙ্গসকী পেসেন্ট অমনা থাঙ্গৎলকপা প্লি অমগী আগ্যুমেন্ট চত্থবদা ইস্যু অসি খন্নরকখিবনি। এদভোকেটশিংগী মনুংদা অমনা হিদাক অসিগী ইমপোর্ট দ্যুটি চাদা ২৭ ফাওবগী মনুংদা লৈ হায়না কোর্টতা থমখিবদা অতোপ্পা অমনা মদু চাদা ৭৮নি হায়খি।

সেন্তরগী কাউন্সেলনা ফোঙদোকখিবদা মহাক চপ চাবা পর্সেন্টেজ খঙদবনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী ইনষ্ট্রক্সন ফংলবা মতুংদা মহাক্না কোর্টতা খঙহনগনি।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ষ্টেন্দিং কাউন্সেল কির্টিমান সিংহনা মহাক্কী সবমিসনদা অসিগুম্বা দ্রগশিংগী ইমপোর্ট দ্যুটি কোমথোকপগী ৱাফম অসি ওথোরিটিশিংদা খঙহল্লগনি অমসুং অথুবা মতমদা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়খি।

বেঞ্চ অসিনা সেন্তরগী মায়কৈদগী ইমপোর্ট দ্যুটি কোমথোকপগী ৱাফম অসি থুনা য়েংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

# জুনিয়র দোক্টরশিংগী ষ্ট্রাইক লেপত্রি

গজৱেল, মে ২৭ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনা জুনিয়র দোক্টর্স এসোসিএসন (টি জে য়ু দি এ)না মখোয়গী প্রোটেষ্ট মখা তানা লেপ্তুনা চত্থদুনা গভর্ণমেন্টকী টিচিং অমসুং এলাইদ হোস্পিটালশিংগী ইমরজেন্সি সর্ভিসশিং ফাওবা বোইকোত তৌখ্রে।

টেলঙ্গনাদা লৈবা গভর্ণমেন্টনা চলাইবা হোস্পিটালশিংগী জুনিয়র দোক্টরশিংনা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিন্দুনা ষ্ট্রাইক তৌরকপা শগোলশেন নুমিৎতা নুমিৎ নিনিশুরে। ষ্ট্রাইক অদুদা জুনিয়র দোক্টর ৪০০০ রোম্না শরুক য়ারি। মখোয়না কোভিদ-১৯ অমসুং নন-কোভিদ-১৯ ইলেক্টিভ দ্যুটিশিং বোইকোত তৌদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী ষ্টাইক তৌবা হৌখি। মখোয়গী ষ্ট্রাইক অদু ইমরজেন্সি দ্যুটিশিং ফাওবা বোইকোত তৌদুনা শগোলশেন নুমিৎতগী কনশিনখি।

চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা দিমান্দ খরা য়াবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মরম চাবা অমসুং লোনা য়াবা দিমান্দ খুদিংমক খন্ননবা শেম শারে হায়না থাজবা পীখি। ষ্ট্রাইক তৌরিবা জুনিয়র দোক্টরশিংনা হায়রিবদি গভর্ণমেন্টনা ওর্দর ইস্যু তৌগদবনি নৎত্রগা মখোয়দা অইবা এস্যুরেন্স পীগদবনি হায়বা অসিনি। টি জে য়ু দি এগী মীফম অমা ওসমানিয়া মেদিকেল কোলেজদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লিদরশিংনা মেম্বরশিংদা মেদিকেল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর রামেশ রেদিগা ৱারী শান্নখিবগী পাউদম পীখি।

গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী দিমান্দশিং খুদক্তা য়াগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা জুনিয়র দোক্টরশিংদুনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা প্রোটেষ্ট তৌখি।

টি জে য়ু দি এনা তৌরিবা দিমান্দশিংদি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারিদগী চৎনহন্দুনা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা জুনিয়র দোক্টরগী ইমুংগী মীওইশিংদা পীবা লুপা লাখ ৫০গী এক্স গ্রেসিয়া চাদা ১৫ হেনগৎহনবা, জুনিয়র দোক্টরশিং য়াওনা নিজামস ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এন আই এম জেদ)তা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিং ভেদ তোঙান্না খাকপগা লোয়ননা মখোয়বু লেম্না লায়েংবা অমসুং রিস্ক এল্লালৱেন্স চাদা ১০ পীবা অসিনি।

চীফ মিনিষ্টরনা সিনিয়র রেজিদেন্ট দোক্টরশিংগী ওনরেরিয়ম চাদা ১৫ হেনগৎলগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখি। মহাক্না চহী অহুমগী এম বি বি এস কোর্স লোইরবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী দ্যুটিশিং তৌরবা মেদিকেল মহৈরোয়শিংগী ওনরেরিয়ম হেনগৎলগনি হায়নসু লাউথোকখি। ষ্ট্রাইক খুদক্তা তোক্তুনা মথৌদা মায় ওনশিন্নবসু মহাক্না জুনিয়র দোক্টরশিংদা আপীল তৌখি।

# নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা এমেন্দ তৌনবা খঙহনখ্রে

পানাজি, মে ২৭ (এজেন্সী):
সেক্স্যুএল এসোল্টকী ভিক্তিমগী মশক খঙহল্লিবা রিফরেন্সশিং নৌনা ইথোক্লবা গোৱাদা লৈবা বোম্বে হায় কোর্টকী বেঞ্চনা শগোলশেন নুমিৎতা নোর্থ গোৱাগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টতা দিরেক্সন পীখ্রে।

সেসন্স কোর্ট অসিনা মে ২১দা থোকখিবা লমাই ৫২৭ পানবা ওর্দরদা টেহলকাগী হান্নগী এদিটর-ইন-চীফ তরুন তেজপালবু কুমজা ২০১৩দা জুনিয়র কলিগ অমনা মহাক্কী মায়োক্তা শীখিবা রেপকী মরালদগী এক্বিট তৌখি।

হায় কোর্ট অসিগী জষ্টিস এস সী গুপ্তগী সিঙ্গল বেঞ্চনা হায়, জজমেন্ট অসিদা শেমদোকখিবশিং অদু মীয়াম্না য়েংবা য়ানবা কোর্ট অসিগী ওনলাইন পোর্টেলদা অপলোদ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা লোইশিনগদবনি।

এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ কশামা জোশিগী ওর্দরদা য়াওরিবা জজমেন্টগী পেরাগ্রাফ ৫৫, ১৭৭ অমসুং ১৮২দা ভিক্তিম অদুগী মপুরোইবা, মহাক্কী ই-মেল অমসুং মহাক্কী মমাগী মিং পল্লি হায়না সোলিসিটর জেনরেল টুসার মেহতানা কোর্টতা থমখিবা মতুংদা জষ্টিস গুপ্তেনা ওর্দর অসি থোক্লকপনি।

# য়ু পিদা থা তরুক ষ্ট্রাইক তৌবা থিংখ্রে

লক্ষ্মৌ, মে ২৭ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী য়োগি অদিত্যানাথ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা ইসেন্সিএল সর্ভিসেস মেন্টেনেন্স এক্ট (ঈ এস এম এ)গী মখাদা পব্লিস সর্ভিসশিং, কোর্পোরেসনশিং অমসুং লোকেল ওথোরিটিশিংনা ষ্ট্রাইক তৌবা থা তরুক অথিংবা থমখ্রে হায়না ওফিস ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

এক্ট অসিনা পুলিসতা মসিগী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনবা মীওই খুদিংমক ৱারেন্ট য়াওদনা ফাবা য়াবগী পাৱর পীরি। ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, কোর্পোরেসন অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কনত্রোল তৌবা নৎত্রগা চলাইবা লোকেল ওথোরিটিশিং অমসুং কোর্পোরেসনশিং য়াওনা পব্লিক সর্বিস খুদিংমক্তা ষ্ট্রাইক তৌবা খুদক্তগী থিংলে।

ইসেন্সিএল সর্ভিসেস মেন্টেনেন্স এক্ট, ১৯৬৬না এক্ট অসিগী মখাদা ইলিগেল ওইরিবা ষ্ট্রাইক তৌনবা শিল্লিবা মীওই খুদিংমক চহী অমা ফাওবা জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা ১,০০০ ফাওবা ফাইন ওইনা থীহনবা নৎত্রগা জেলদা থম্বা অমসুং ফাইন থীবা অনীমক তৌবা য়াই।

# কোভিদ থেংননবা দোক্টর ২,১০০, নর্স ৬০০০ লৌরগনি

চেন্নাই, মে ২৭ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং হেন্না কনশিনবা ঙম্নবা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা দোক্টর ২,১০০, নর্স ৬০০০ অমসুং টেক্নিকেল ষ্টাফ ৩,৭০০ রিক্রুট তৌরগনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর মা সুব্রমনিয়মনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯না শিহনবশিংগী চপ চাবা মশিং রেকোর্দ তৌনবা অমসুং লায়না অসিগা মরী লৈনবা মীশি অমত্তা লোৎতনবা এম কে ষ্টেলিন গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন খুদিংমক্তা খঙহনখ্রে। মসিনা লায়না অসি কয়াম্না লুবনো হায়বগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ৱাখল তাহনবদা মতেং ওইগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী চেরোল অমগী মতুংইন্না টিরুনেলভেলি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালগী ওক্সিজেনগী খুদোংচাবা য়াওবা বেদ ৯৪০ য়াওনা হৌজিক লৈরিবা বেদ ১,৬০০গী মথক্তা ওক্সিজেনগী খুদোংচাবা য়াওবা অহেনবা বেদ ৫০০ হাপচিল্লগনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না, ষ্টেট অসিদা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবদা ম্যুকোরমাইকোসিস ব্লেক ফঙ্গসনা নাবা মীওই ৭৫৬ শুদ্রি। ব্লেক ফঙ্গস লায়েংনবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা এম্ফোটেরিসিন-বি ভাইল ৬০০ থারক্লে। ষ্টেট অসিদা ম্যুকোরমাইকোসিস শন্দোরকপগী মরমদা ষ্টদি তৌনবা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা মেম্বর ১০গী কম্মিতিগী মীফম ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না, টামিল নাদুদা মীওই লাংখ ৭৫ ভেক্সিন কাপ্লে। মীপুম খুদিংমক থুংহন্নবা ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম মখা চত্থখিগনি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 56,50,000+24,752 | 52,40,000+23,065 | 91,341+992 |
| Karnataka | 25,00,000+26,811 | 20,60,000+40,738 | 26,929+530 |
| Kerala | 24,20,000+28,798 | 21,70,000+35,525 | 7,882+151 |
| Tamil Nadu | 19,50,000+33,764 | 16,10,000+29,717 | 21,815+475 |
| Uttar Pradesh | 16,80,000+3,176 | 16,00,000+10,540 | 19,712+193 |
| Andhra Pradesh | 16,30,000+18,285 | 14,20,000+24,105 | 10,427+99 |
| Delhi | 14,20,000+1,491 | 13,80,000+3,952 | 23,695+130 |
| West Bengal | 13,20,000+16,225 | 11,80,000+19,071 | 14,827+153 |
| Chhattisgarh | 9,60,000+2,829 | 8,93,000+5,767 | 12,779+56 |
| Rajasthan | 9,28,000+3,886 | 8,42,000+13,044 | 8,018+107 |
| Gujarat | 7,98,000+3,085 | 7,33,000+10,007 | 9,701+36 |
| Madhya Pradesh | 7,72,000+2,182 | 7,21,000+7,479 | 7,758+72 |
| Haryana | 7,48,000+3,138 | 7,08,000+5,476 | 7,841+106 |
| Odisha | 7,26,000+11,623 | 6,24,000+10,635 | 2,584+35 |
| Bihar | 6,98,000+2,603 | 6,62,000+6,641 | 4,845+99 |
| Telangana | 5,64,000+3,762 | 5,22,000+3,816 | 3,189+20 |
| Punjab | 5,52,000+4,004 | 4,88,000+6,397 | 13,827+185 |
| Assam | 3,87,000+5,699 | 3,30,000+6,266 | 3,005+90 |
| Jharkhand | 3,34,000+977 | 3,15,000+2,403 | 4,910+19 |
| Uttarakhand | 3,21,000+2,991 | 2,72,000+4,946 | 6,113+93 |
| Jammu and Kashmir | 2,79,000+3,037 | 2,31,000+4,023 | 3,702+40 |
| Himachal Pradesh | 1,84,000+1,365 | 1,59,000+2,192 | 2,932+45 |
| Goa | 1,51,000+1,487 | 1,33,000+1,363 | 2,499+39 |
| Puducherry | 99,540+1,321 | 83,263+1,927 | 1,435+27 |
| Chandigarh | 59,216+224 | 54,921+706 | 722+8 |
| Chandigarh | 59,216+224 | 54,921+706 | 722+8 |
| Tripura | 48,507+542 | 40,557+1,066 | 479+6 |
| **Manipur** | **46,298+847** | **38,325+379** | **730+10** |
| Meghalaya | 32,295+846 | 23,728+752 | 512+10 |
| Arunachal Pradesh | 25,376+374 | 21,765+190 | 107+3 |
| Nagaland | 20,795+260 | 15,545+131 | 327+12 |
| Ladakh | 18,045+235 | 16,200+130 | 181+2 |
| Sikkim | 13,806+295 | 10,145+241 | 239+2 |
| Mizoram | 11,143+206 | 8,292+132 | 34 |
| Lakshadweep | 7,229+118 | 4,956+191 | 26 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,901+23 | 6,573+29 | 108+2 |

মতমগা চূনহল্লিবা থৌরাং
হিংবদা হেন্না নুংঙাইহল্লগনি

হৌদোকচরি
ঈ-ফাইলিং ২.০
অনৌবা পোর্টেল, অনৌবা ফিচরশিং
জুন ৭, ২০২১দা লাইব ওইনা শন্দোক্কনি

লোগ ইন তৌবিয়ু ঐখোয়গী অনৌবা পোর্টেলসিদা:
www.incometax.gov.in

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা টেক্স পেয়রশিংগী সর্ভিসতা অনৌবা পোর্টেল www.incometax.gov.in লোঞ্চ তৌরে হায়না চাউথোক্না লাউথোকচরি। অনৌবা পোর্টেল অসিনা সর্ভিস খুদিংমক লায়থোকহন্দুনা মসিবু শীজিন্নরিবা মীওই খুদিংমক্কী ওইনা শীজিন্নবদা য়াম্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইহল্লগনি। অনৌবা পোর্টেল অসিনা হৌজিক ওইরিবা পোর্টেল www.incometaxindiaefiling.gov.in গী মহুৎ শিনগনি।

ই-ফাইলিং ২.০গী ফিচরশিং
য়ুজর-ফ্রেন্দলি অমসুং মোবাইল ফ্রেন্দলি পোর্টেল
য়ুজর মেন্যুএল অমসুং ভিদিওশিং য়াওবা অরায়বা ষ্টেপ-বাই-ষ্টেপ গাইদেন্স
হেল্পদেক্স সপোর্ট অমসুং চেটবোট
প্রি-ফিল তৌরবা ফোমশিং অমসুং লায়থোক্লবা আই টি আর য়ুটিলিটি
পুমনৌ নৌবা মোবাইল এপ
লোগ ইনগী সিক্যুর ওইবা অমসুং মল্টিপল ওপ্সনশিং
ওন-পোর্টেল টেক্স পেমেন্টশিংগী মল্টিপল ওপ্সনশিং

মরুওইবা
ই-ফাইলিং পোর্টেল অসি জুন ১-৬, ২০২১ মনুংদা ফংলোই।
অদোম্না রেস্পোন্স সবমিট তৌনিংলবদি নৎত্রগা সর্ভিসকী খুদোংচাবা লৌনিংলবদি মতমশিং অসিগী মমাঙ নৎত্রগা মতুংদা তৌবিয়ু।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস
INCOME TAX DEPARTMENT
davp 15401/13/0001/2122

@IncomeTaxIndia @IncomeTaxIndiaOfficial @IncomeTaxIndiaOfficial @Income Tax India
হংনিংবশিং লৈরবদি ১৮০০ ১০৩ ০০২৫, ১৮০০ ৪১৯ ০০২৫ দা কন্তেক্ট তৌবিয়ু